**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 27-09-2025)**

**তুরিজম (এল)ঃ** মণিপুরদসু ঙসি মামেলগী তুরিজম ডে রাজ্যগী থাক্তা পাঙথোকখ্রে।

মপুং ওইবা থৌরম মণিপুর তুরিজমনা শিন্দুনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী থাংমৈবন্দদা লৈবা চৈরাউচীংদা পাঙথোকখি। কুমশি চহিগী পালন থৌরম অসিগী হিরমনা তুরিজম এন্দ সস্টেনেবল ট্রান্সফোর্মেসন হায়বসিনি।

থৌরম অদুদা চীফ সেক্রেটরি-পুনিত কুমার গোয়লনা হায়-সরকারনা রেম্প স্কিমগী মখাদা রাজ্য অসিগী টুরিজম সেক্তরবু মালেমগী থাক্তা মশক খঙহন্নবা হোৎনরি। মসিদা নত্তনা হৌরক্লিবা নহাশিংবু শেন্থোক লৈহন্নবগী পান দমদা নহা ৫০০ রোমদা কেবিন ক্রু অমদি হোস্পিতালিতি সেক্তরদা ট্রেন্নিং পীবগী থবক থৌরমশিং মখা চত্থরি।

শ্রী গোয়লনা হায়-সরকারগী মায়কৈদগী সসটেনেবল টুরিজম হায়বসিদা হেন্না মীৎয়েং থমদুনা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং শেম শাবগী থবকশিং পায়খৎলি। খোঙথাং অসি রাজ্য অসিগী মীপুম খুদিংমক্তা টুরিজমগী মায়কৈদগী শেন্থোক অমদি হিংনবগী লন্বী পীনবগীদমক্তনি।

থৌরমগী শরুক অমা ওইনা নাৎকী ওইবা জগোই অমদি ঈশৈ য়াওনা তোঙান তোঙানবা থৌরমশিং পাঙথোকখি।

অমরোমদা, ৱার্ল্ড তুরিজম ডেগা মরী লৈননা দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসার বিষ্ণুপুরনা শিন্দুনা ঙসি ইম্ফাল পিছ ম্যুজিয়ম মাইবম লোৎপা চীং নম্বোলদা জিলা অসিগী ওইবা সিষ্টেমেতিক ভোটরস ইজ্‌কেসন এন্দ ইলেক্তোরেল পার্তিসিপেসন (স্বিপ) প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখি। থৌরম অদু জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার-পুজা এলাংবমনা হৌদোকখি।

নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না হায়-মণিপুরগী মহৌশাগী ফজবা অমদি ইনাক খুল্লবা নাৎ চৎনবীশিং অসি য়োকখৎতুনা তুংগী মীরোলশিংদা খঙহনবগী তঙাইফদবা লৈ।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা শ্রী বিরেন্না হায়-তুরিজম হায়বসি লম কোইবা খক নত্তে মসিদা অমগা অমগা মরক্তা নুংশিনবা অমদি পুনশিন্নবা য়াওরি। মহাকা হায়-ঐখোয় পুন্না অমত্তা ওইনা হোৎনদুনা মণিপুরবু তুরিজমগী লমদা হেন্না খুমাং চাওৎশিন্নবা হোৎনমিন্নশি।

**ইনভাইরোনমেন্ট (এল)ঃ** রাজ্যগী ইনভাইরোনমেন্ট অমসুং ক্লাইমেট চেঞ্জ বিভাগকী দাইরেক্তর-ডা: তৌরাংবম ব্রজাকুমারনা হায়রি-মীওইবা খুন্নাইনা মহৌশাগী শক্তমবু মশক খঙনা নুংশিনা ঙাক শেনবা অমদি তোৎন-তিন্নদুনা হিংবনা কায়থরক্লিবা মহৌশাগী খল কনবা ঙমগনি।

রাজ্যগী দাইরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জনা শিনদুনা ঙসি পোরোম্পাৎতা লৈবা বিভাগ অসিদা নেসন ফাষ্ট এদ দারেট সভেন্ট ফাইব কেম্পেইনগী শরুক অমা ওইনা পাঙথোকখিবা ‘গ্রীন এদুকেসন প্রোগ্রাম এদ স্কুল’ গী থৌরমদা শরুক য়ারদুনা হায়-মালেমগী ওইনা কায়থরক্লিবা মহৌশাগী খল অসি লেপ্পা লৈতনা হোৎনরবসু ঙসি ফাওবদা কনবা ঙমদনা লাক্লি। অসিগুম্বা কায়থরক্লিবা মহৌশাগী খল অসি কন্নবগীদমক মীয়ামনা মপুং ওইনা অহল ওইরবশিংনা হৌরক্লিবা মহেরোইশিংদা তাকপী তম্বীবা অমদি মসিগী দায়ত্ব অসি শিন্নরম্বগী তঙাইফদবা লৈ।

থৌরমদুদা মনিপুর পোলুসন কন্ত্রোল বোর্ডকী মেম্বর সেক্রেটরি-ডা: ডব্লিয়ু. রোসননা হায়-মহৌশাগা মীওইবা খুন্নাইগা তৎন থানবা য়াদ্রবা মরী লৈনৈ হায়বসি ঐখোয় খুদিংমকা খঙবা অমদি হৌরক্লিবা নহাশিংদা খঙহনবা হায়বসি য়ামা মরুওই অমদি করিগীদমক ঐখোয়না মহৌশা অমদি

ইনভাইরোনমেন্টবু কনবা, ঙাক শেনবা তঙাইফদবা অদু লৈরিবনো হায়বসি নীংথিনা খঙলবা মতমদা মালেমগী ওইনা কায়থরক্লিবা মহৌশাগী খল কনবা ঙমগনি।

**থৌবাল (এল)ঃ** রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালানা থা অসিগী ১৭ তা ইম্ফালগী রাজ ভবনদা হৌদোকখিবা নেসন ফার্ষ্ট এদরেট সভেন্টি ফাইব কেম্পেইনগী শরুক অমা ওইনা ঙসি দিষ্ট্রিক্ট এগ্রীকলচর ওফিস-থৌবালনা জিলা অসিগী খনগৎলবা লৌমীশিংদা লৌউ শিংউবদা চংবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে।

জিলা অসিগী এগ্রীকলচর ওফিসতা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা দিপ্যুতি কম্মিস্নার-হনা কামৈনা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়ারদুনা হায়-লৈবাক অসিগী অমদি লৌমীশিংগী শেন্নীৎলোন ফগৎহন্নবগীদমক্তা ভারত সরকার অমদি রাজ্য সরকারনা তোঙান তোঙানবা য়াইফ থৌরাং কয়া লৌখৎতুনা লৌমীশিংদা কান্নবা পীদুনা লাক্লি।

থৌরমদুদা জিলা অদুগী এগ্রীকলচর ওফিসার-টি.ঐচ. জয় প্রকাশ সিংহ অমদি হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জারভেসনগী দিষ্ট্রিক্ট ওফিসার-কে.ঐচ. মালেমঙানবা সিংহ শরুক য়াখি।

**প্রোগ্রাম (এল)ঃ** সেভা সপতহাগী শরুক অমা ওইনা অকাশবানি ইম্ফালগী ই-পাউ কাংবুনা তাঙ্কক নাইনা শন্দোরক্লিবা অখন্নবা থৌরমগী মঙাশুবা তাঙ্কক হয়েং অয়ুক পুং ৭ মিনিট ৪০ দা অকাশবানি ইম্ফালদা শন্দোক্কনি।

মিনিট ২০ শন্দোক্কদবা 'রিভোলুস্নারি ষ্টেপস ফোর ইনক্লুসিব দিবলপমেন্ট' হায়বসিদা অহোংশংবম মোবি-সেনিয়ার জর্নেলিষ্ট অমসুং ঐখোয়গী মীহুৎ নাউরেম ভিক্তরগা উন্নদুনা ৱারী শান্নবা তাহঞ্জগনি।

**নোং (এল)ঃ** ইন্দিয়া মেট বিভাগ ইম্ফাল সেন্টরনা হায়রি-রাজ্য অসিগী মফম

অয়াম্বদা নুমিৎ নিনি হুমনি অসিদা অখাক অরাও য়াওনা নোং চুগনি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়-তমেংলোং, সেনাপতি অমসুং উখ্রুলদা অখাক অরাও য়াওনা নোং চুগনি অমদি চান্দেল, চুরাচান্দপুর অমসুং ফেরজোলগী মফম কয়াদা হয়েং ফাওবা নোং চুগনি হায়রি।

**উখ্রুল (এল)ঃ** নুমিৎ হুমনি চথরকপা অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংগী ওইবা এন.এস.এস. ফেষ্টিবেল ঙসি উখ্রুলদা পেতিগ্রীয়ু কলেজতা লোয়শিনখ্রে।

ইন্টিগ্রেটিং য়ুথ ফোর পিছ এন্দ সসটেনেবিলিতি হায়বা হীরমদা পাঙথোকখিবা ফেষ্টিবেল অদুদা অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংগী এন.এস.এস. ভোলুন্টিয়ারশিংনা শরুক য়াখি। থৌরমদুদা শরুক য়াখিবা মেঘালায়াদগী এন.এস.এস. ভোলুন্টিয়ার অমনা হায়-ফেষ্টিবেল অসিনা অৱাং নোংপোক লমদমদা লৈমিন্নরিবা কাংলুপশিংগী নাৎ, চৎনবীশিং খঙমীন্ননবগী তঞ্জা অদু পীরি।

**ককচিং (এল)ঃ** থা অসিগী ১৭ হৌদুনা মথং থাগী অনি ফাওবা ভারত শিনবা থুংনা চথরিবা স্বাস্থ হি সেবা কেম্পেইনগী শরুক অমা ওইনা মিনিষ্ট্রি ওফ ইনর্ফোমেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ কম্যুনিকেসন ফিল্ড ওফিস-চান্দেল ইম্ফাল রিজননা এস.এন্দদি.দি, টি.আর.টিস, কালৈদোসকোপিক আর্টিষ্ট এসোসিয়েসন ইম্ফালগা পুন্না শিনদুনা স্বাস্থ হি সেবা ২০২৫ গী মতাংদা অখন্নবা আউটরিটস প্রোগ্রাম অমা ঙসি ককচিংদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরমদুদা অখঙ অহৈশিংনা স্বাস্থ হি সেবা কেম্পেসন অসি থবক ওইনা পাঙথোক্কুনা য়ুম অমদি লৈকাইদা অফবা থবক তৌদুনা লু-নানবা ইমুং অমমম ওইহন্নবা হোৎনবীয়ু হায়না আপিল তৌখি।

**কেম্প (এল)ঃ** স্বাস্থ্ নারি সাকসক পরিবারগী শরুক অমা ওইনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী শিংজমৈ অবার্ন প্রাইমারি হেলথ সেন্টরগী সি.আর.ৱাই.দি.এ. কম্ম্যুনিতি হোলদা ঙসি অখন্নবা স্পিসিএলিষ্ট হেলথ কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা এম.এল.এ. ৱাই. খেমচান্দনা হায়-রাজ্য অসিদা হৌজিক খুদোংচাদবা কয়া মায়োকরি। অসিগুম্লবা তঞ্জা অসিদা অনা লায়েংগী খুদোংচাবা মীয়ামদা ফংহল্লিবা অসি য়ামা চাউথোকচনিংঙাইনি। থৌরম অসিদা তোঙান তোঙানবা মখলগী অনাবশিংগী টেষ্ট তৌবা য়াওনা মাওই ২৩০ হেন্না লায়েংখি।

**রাইটস (এল)ঃ** লৈবাক শিনবা থুংনা থা অসিগী ১৭ তগী মথং থাগী অনি ফাওবা চথরিবা সেবা পর্ব ২০২৫ গী শরুক অমা ওইনা মনিপুর ষ্টেট কালা একাডমী ইম্ফালনা শিনদুনা অইবশিংগা উন্নবগী থৌরম অমা ঙসি ককচিং ফৌশুপাৎ লৈকাইদা লৈবা লাইবেরী এন্দ ইনর্ফোমেসন সেন্টর-ককচিংগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা সাহিত্য একাডমী এৱার্দি-প্রোফেসার-শগোলশেম লনচেনবা মীতৈগা মহৈরোইশিংগা উন্নখি।

**চাইল্ড(এল)ঃ** ইন্টিগ্রেটেদ রুরেল দিবলপমেন্ট সার্ভিস ওর্গনাইজেসন (আই.আর.দি.এস.ও) ৱাংজিংনা শিনদুনা চাইল্ড রাইট টু প্রোটেক্সন হায়বা হীরমদা নোংমগী ওইবা জিলা থাক্কী খন্ন-নৈনবা থৌরম অমা ঙসি থৌবালদা লৈবা ক্ষেত্রি শঙলেনদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা অথোইবা মীথুংলেন ওইখিবা মনিপুর কম্মিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটসকী চেয়ারপার্সন-কৈশাম প্রদিপকুমারনা হায়-লৈবাক অসিগী তুংগী লাইবক লেপকদৌরিবা অঙাংশিংবু ঙাকপী শেনবীনবা অমদি লমখাঙদা মাঙখিদনবা হোৎনমীন্নসি। মখোয়বু অফবা নাগরিক অমমম ওইহন্নবা হোৎনবদা ঐখোয় পুন্না থৌদাং লৌমীন্নসি।

থৌরমদুদা আই.আর.দি.এস.ও. ৱাংজিংগী চীফ ফঙ্কস্নারি-নোনিবালা নরাংবম, দিষ্ট্রিক্ট চাইল্ড প্রোটেক্সন ওফিসার-থৌবাল-রোবিন্দ্রো সলাম অমদি লিলোং পুলিস ষ্টেসনগী এ.আই.-সৈত্যবতি শরুক য়াখি।

**উ (এল)ঃ** ইরাবত থাবুমগা মরী লৈননা ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন অমসুং ওল অন্দ্রো মৈরা পায়বীজ এসোসিয়েসননা পুন্না শিনদুনা পানম গার্দেন অন্দ্রোদা উ থাখ্রে।

ওল মনিপুর য়ুনাইটেদ ক্লব ওর্গনাইজেসন (অমুকো) গী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা মীওই ১০০ রোমা শরুক য়াখি।

**এআর(এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা শিনদুনা চুরাচান্দপুর জিলাগী সিয়ামসিন-পাউলপি রেসিদেন্সিয়েল স্কুলদা মহৈরোইশিংগা উন্নদুনা ৱারী শাবগী থৌরম অমা ঙরাং পাঙথোকখ্রে।

মহৈরোই ১০০ রোমনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ওপরেসন সিন্ধুরগী মতাংদা ভারত লান্মীনা লৌখিবা থৌদাংশিং খঙহনখি।

**লমলাই(এল)ঃ** রাজ্য অসিগী ইম্ফাল ইষ্ট জিলাদা হন্দক থোকখিবা ঈচাও অদুনা মরম ওইরগা জিলা অসিগী মনুং চন্না লৈবা লমলাই কেন্দ্রদা ঈচাও অদু হন্থখ্রবা মতুং হৌজিক লৌবুক অয়াম্বদা ফৌ পাম্বীশিং পাক শন্না শিরে। মসিনা মরম ওইদুনা মায়কৈ অদোমগী লৌমীশিং কোক্তা খুৎ হাপ্পগী ফিভমদা লাক্লে।

কেন্দ্র অসিগী লৌবুকশিংদা ফৌ পাম্বীশিংগী ওইরিবা ফিভম য়েংশিল্লুরবা মতুং পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা এম.পি.সি.সিগী মেম্বর-অচোইবম দেবেননা হায়-লমলাই কেন্দ্র অসি লৌউ শিংউবনা মরুওইবা শিনফম ওইদুনা হিংবা কেন্দ্র অমনি। মরম অসিনা মরী লৈনবা বিভাগশিংগী মায়কৈদগী মীৎয়েং চংদুনা ঈচাওগী অৱা অনা নংখ্রবা লৌমীশিং অসিদা পাংবা য়াবা তেংবাংশিং পীনবা পুকি

ং চিংশিল্লক্লি।

**হোম গার্দ(এল)ঃ** রাজ্য অসিদা লৈরিবা হোম গার্দশিংনা তাল্লিবা দাবীশিং তকশিল্লদুনা তোঙান তোঙানবা পোইন্ট ১১ য়াওবা চেরোল অমা ঙসি রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালাদা পীশিনখ্রে।

লুৱাংশংবমদা লৈবা মনিপুর হোম গার্দ ৱেলফিয়ার এসোসিয়েসনগী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা এসোসিয়েসনগী নৌনা খল্লবা প্রসিদেন্ট-য়াংলেম মঙ্গিনা হায়-চেরোল অদুদা এক্ত অমসুং রুলগী মতুং ইন্না এসোসিয়েসননা তাল্লিবা দাবীশিং থা অমগী মনুংদা থবক্তা ওন্থোকপীনবা ৱাফমশিং পল্লি।

**মনকিবাটঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী পুকিংগী ৱা, মনকি বাটকী ১২৬ শুবা ইপিসোদ হয়েং অয়ুক পুং ১১ দা অকাশবানিগী থোঙদা শন্দোক্কনি।

থৌরম অসি এ.আই.আর ন্যুজ, দি.দি. ন্যুজ, পি.এম.ও. অমসুং ইনর্ফোমেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী য়ু-ট্যুব চেন্নেলশিংদসু লাইফ ষ্ট্রিমিং তৌগনি। থৌরম অসি এল.আর.এস চুরাচান্দপুরদসু শন্দোক্কনি। মসিগী মণিপুরী ৱাহন্থোক প্রধান মন্ত্রিনা ৱা ঙাংবা হেক লোইবগা অকাশবানি ইম্ফালনা শন্দোক্কনি। মসি নুমিৎ অসিমক্কী নুমিদাং পুং ৮ দসু অমুক হন্না শন্দোক্কনি। দাইলেক লোলশিংদনা মথংগী নুমিৎতা শন্দোক্কনি।

**পিএম ঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি ঙসি উরিষাগী জরসুগুরাদা লুপা কোতি লিশিং ৬০ রোমগী তোঙান তোঙানবা চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট খরনা উরেপ উয়ুং তমখ্রে, খরগীনা যাত্রা হুনখ্রে। প্রোজেক্টশিং অদুগী মনুংদা টেলিকম্ম্যুনিকেসন, রেলৱে, হায়র ইজ্‌কেসন, হকশেল, স্কিল দিভলপমেন্ট অমসুং রুরেল হাউসিংনচিংবা য়াওরি।

প্রধান মন্ত্রিনা অন্তো দয়া স্কিমগী মখাদা বেনিফিসরি লিশিং ৫০ দা তেংবাং পীবগা লোয়ননা আই.আই.টি ৮ হাংদোকবা ৱাফমসু লাউথোক্কনি।

খোঙচৎ অসিদা শ্রী মোদিনা উরিষ্যাগী বেরহামপুরদগী সুরতকী উদনা ফাওবা চেনগদবা অমৃত ভারত এক্সপ্রেস রেলগাড়ি লমথখি। । লুপা কোতি লিশিং ১,৭০০ চংনা পায়খৎখিবা রেলৱে প্রোজেক্ট অসিনা মীয়ামগী চৎথোক চৎশিনগী পান্থে হেন্না ফগৎহল্লগনি। প্রধান মন্ত্রিনা লৈবাক অসিগী মচাক মথুমতনা শাজবা লুপা কোতি লিশি ৩৭ চংনা পায়খৎপা ফোর-জিগী মোবাইল টৱার লিশিং ৯৭,৫০০ হৌদোকখি।

প্রধান মন্ত্রিনা মখা তানা হায়-লৈবাক অসিগী মচাক মথুমতনা শাজবা বি.এস.এন.এলগী ফোর জি অসিনা লৈবাক অসিগী টেকোলোজিগী লমদা খুমাং চাউশিল্লি হায়বদুগী খুদম অমনি। প্রধান মন্ত্রিনা লুপা কোতি লিশি ৩৭ চংনা পায়খৎপা ফোর-জিগী মোবাইল টৱার লিশিং ৯৭,৫০০ হৌদোকখি।

**বিহার ঃ** বিহার বিধান সভা মীখলগী মাংওইননা রাজ্য অদুদা রাজনিতিগী থবক থৌরমশিং কনখৎলে।

বি.জে.পিগী লুচিংবা অমসুং কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা বিহারদা নুমিৎ নিনিগী খোঙচৎতা লৈদুনা লাক্কদৌরিবা মীখল অদুগীদমক দলগী কর্মিশিং অমসুং লুচিংবশিংগা উন্নদুনা ৱাফম কয়া খন্নখি।

শ্রী সাহনা সমসতিপুরদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা দলগী লুচিংবশিংগা ৱারী শান্নদুনা মীখল অসিগীদমক লৌখৎকদবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা ৱারী শান্নখি।

**পেলেস্তাইন ঃ** ভারতনা লৈবা পেলেস্তাইনগী রাস্ত্রদুত-অব্দুলা অবু সাৱেসনা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা সরকারনা পেলেস্তাইনগী মীয়ামদা তেংবাং পীরকপগীদমক্তা থাগৎপা ফোংদোরক্লি।

পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা শ্রী সাৱেসনা হায়-প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা ভারত সরকারনা পেলেস্তাইনগী রিফ্যুজিশিংবু য়ুনাইটেদ নেসন্স রিলিফ এন্দ ৱাক এজেন্সিগী খুত্থাংদা তেংবাং কয়া পীরকখি। মহাকা হায়-পেলেস্তাইনদা মিল্লিয়ন দোল্লর কয়া চংনা পায়খৎকদবা হোস্পিতাল অমা ভারতনা শারি।

**গেমস ঃ** রাজ্য অসিদা অহানবা ওইনা পাঙথোক্লিবা দিষ্ট্রিক্ট ওলিম্পিক গেমস ২০২৫ গী ঙসি মরিনি চনবা নুমিৎতা থৌবাল জিলাগী মফম ১৩ দা তোঙান তোঙানবা মশান্নশিংদা অথোই অহেন তান্নখি।

সেপাক তাক্রৌ মশান্নদা নুপীগী ফাইনেলদা পি.ৱাই.দি.এ. পাখংখোঙ লৈরকনা ৱাই.এ.এস.টি.এ. থৌবাল ৱাংমাতাববু থোইদুনা সনাগী তকমান লৌখি।

নুপাগী ফাইনেল মেটচতনা-পি.ৱাই.দি.এ. (বি) পাখংখোঙনা ৱাই.এ.এস.টি.এ. থৌবাল ৱাংমাতাববু থোইদুনা সনাগী তকমান লৌখি।

খো-খো মশান্নগী ওইনা নুপীগী ফাইনেলদা বাশু খাঙবোকনা এস.সি.ই.এ.এস.দি.ও-হৈরোকপু পোইন্ট ৩২-২০ থোইদুনা ৱিন্নর ওইখি। নুপাগীদনা হৈরোক হয়ার সেকেন্দরি স্কুলনা এস.সি.ই.এ.এস.দি.ও-হৈরোকপু পোইন্ট ৪৬-৩০ দা থোইদুনা ৱিন্নর ওইখি।

ফূটবোল মশান্নগী ফাইনেল মেটচতা-সি.ৱাই.এস.এ. খাঙবোকনা ঐচ.কে.কে.এস.এ. হাওখা কিয়ামবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইদুনা ৱিন্নর ওইখি।

বোল্লিবোল মশান্নগী ফাইনেলদা-কে.এস.এ. লমদিংনা লিৱা লমদিংবু পাঞ্জল ৩-২ দা থোইদুনা ৱিন্নর ওইখি।

**ফূটবোলঃ** ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী মখাদা ককচিংগী দি.এস.এ. গ্রাউন্দদা চত্থরিবা ২২ শুবা লৈহাও দেবী মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লিগ ২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা এল.এন.এল.সি.সি.

লাংমৈদোংনা কে.এ.এস. ডব্লিয়ু.সি-কৈরক মখাবু পাঙ্গল ৫-০ দা থোইখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা-এস.ডব্লিয়ু.সি. কৈরকনা সুগ্ ফুটবোল ক্লবপু পাঙ্গল ৫-০ দা থোইখি।

**গেমস ঃ** ১২ শুবা ৱার্ল্ড পেরা এথলেতিক্স চেম্পিয়নসিপ ২০২৫ নিউ দিল্লিদা লৈবা জৱাহলাল নেহরু ষ্টেদিয়মদা ঙসিদগী হৌখ্রে। নুমিৎ ৯ নি চুপা চত্থগদবা চেম্পিয়নসিপ অসিদা পুন্না মেদল ইভেন্ট ১৮৬ তা অথোই অহেন তান্নগনি। ভারতকী ওইনা পুন্না শান্নরোই ৭০ না চেম্পিয়নসিপ অসিদা শরুক য়াগনি।

**ক্রিকেটঃ** এসিয়া কপ ক্রিকেটকী ফাইনেলদা হয়েং ভারতকা পাকিস্তান, দুবাইদা থেংনরগনি।

মেটচ অসি হয়েং নুমিদাং পুং ৮ দগী শান্নবা হৌগনি।